ৱারী ককনাউ

# মীতৌ তম্বা

“মৈতৈ মচাসি য়াখিরোই, ওইবা য়ারোইদবা ঙাক্তনি”, তা মৈনোদু য়াম শাউখ্রজাৎনি। খজিক খরাক্তগা শাউবা নত্তে, মৈ হেক হৌই হায়দুনি। ঐখোয় উকু পার্টি অমা লৈ। অয়ূক চাকচা মমাঙদগী হেক হেক লৈকায়গী উকু মথকসিদা ফম্মগা ৱারী শূবা। ৱারীদি সি ওইগদবনি হায়বা লৈতে। পুথোক পুথোরকপা ৱারী খুদিংমক লোইনা শানৈ। মসিদা য়াওরিসি - তা মৈনো, কুঞ্জো, ইশামকসিনা এক্টিভ মেম্বরনি অদুগা নাওবিতোনগা থোইচাগনা ওর্দিনরি মেম্বরনি। মোইদি মরক মরক্তা য়াওই। অদুবু নাওবিতোনদি এক্টিভ মেম্বর ওইরক্কদৌরে। ঙসাইদগী য়েৎনরিবা ৱাফমসিসু নাওবিতোন্না পুথোরকপনি।

নৈনরিবা ৱাফমসিবুদি ফজখ্রবা ৱানিদা। ঐখোয়না খন্নরিবা মফমসিনা উকু মথক ওইবগী মীনা ৱাখল অমদা খন্নবৈ ৱানি। খন্নরিবা ৱাসিনা ষ্টেজ মথক্তা সেমিনারগাইদুদা খন্নবা ওইরদিবা কো, নোং ঙানবগা পাউচেশিংদা মৈ হৌগদবা ৱা ঙাক্তনি। ইশম শম্না ঐখোয়সি মাইচৌ-মাইনৌ ওল্লদবা ঙাক্তনি। তা মৈনোদু, অমনা অমুক চিং, অমনা অমুক চিং তৌবদা মমৈ চাক্কদৌরবা চুরুটতু হুৎ লাওনা অমুক্তং চিংলগা, মঙক্তু হাইরপ থাঙ্গৎলপ তৌরগা মৈখুদু লিরি-লিরি কামথোল্লগা ৱা মখা তারকই।

“মৈতৈ মচাশিংসে, কৈনোমা উবা য়াদে, মতৌ হেক্তা তম্বা হৈ, সিমা ঐ য়াই। ঈশৈদনি খঙদে, ফিল্মদনি খঙদে, ফিজেৎতনি খঙদে হেক উবগা মতৌ হেক্তা তমনি। মশাগী ওইনা হেক্তা মালহনগনি। কোন্না খঙনরল্লগা ৱা থোক্লবা ঈশৈ ময়াম অমসু লৈরেদনা। অদুগুম্বদুদগী য়াম হৈশিংই হায়বসিমা য়ারে। অদুবু লৈবাক্কী ওইবা অচৌ অচৌবা ময়াম অমা শিখ্রবা মতুংদা মখোয়গী নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্লিবসি করিগীনো? ইরাবতকী মতৌ তমগদৌরিবরা? তম্বা ঙম্বরা? মপুন্সিদা ঙম্মোই। গান্ধীগী মতৌ তম্বা ঙম্ব্রা, অদুসু ঙম্মোই। মোইনা পামজরম্বা কয়া অদু মতুং ইন্দুনা করি তৌবা ঙম্মী, অদুসু ঙম্মোই, চুম্নগী চাউবদু, তোম্বদু তাং অসুক্তা শিখি/পোকখি হায়না নীংশিংবগী ৱানি। অদুদি কৈ কান্ননি। মতৌ তম্মো। চাম্মদা চাম্মা ঙমদ্রসু চাম্মদা কুনদং তম্বা ঙম্বদা লৈবাকসি চাওখৎলোইদ্রো?”

কোক থাদদুনা উংদুনা তানরিবা ঐখোয়না চুম্মী হায়না খল্লি। তাঞ্জাসিদা নাওবিতোননা অমুক মখা তারকই।

“কান্নদে তা মৈনো, হন্দক্তি ইশৈদগী করিদগী মতৌ তম্বা কাঙবুসে ফারগা খোঙ্গোইনরসি। হিন্দিগী, টামিলগী, ভোজপুরিগী, নেপালিগী, অসামিজগী ঈশৈ ময়াম অমা শুর হুরান্দুনা শ্বাইদা মীতৌ তম্মগা শক্লি ময়ামসে, থিংলসি। ফিল্মগী ৱারীসু অদু মঙাই, টি ভি সেরিএলগী ৱারীখৈ খোমগৎলগা শ্বাইদা শেমদোক শাদোল্লগা, ৱারী শেম্বা ফিল্ম ময়াম অমসু লৈরে, ফিল্ম নম্বদসু কাওনবদা-থিন্নবদা মীতৌ তম্নরিবা ময়ামসে মসি য়ারোইদবনি। মখূৎ থুদেক্কদবনি”

“হা হা হা কিনা থিনবদবু ম্যুজিক কাদু ৱিংসসসস কায়না হাপ্পগা মীদু মথক্তা পাইখৎলিনে, অদুবু ওইথোকপা য়ারি ৱারো, মপানগী ফিল্মদা তৌনবদু মতৌ তমশিল্লক্লি নৎত্রো?” ঐনা নোংশিল্লি।

“হোইনে চুম্মীনে, হৌজিক মণিপুরদা মচিন-মনাও, মনি-মমৌ কায়নদনা ৱাথোক থোক্নরিবা ময়ামসি ফিল্ম য়েংলুবদগী ওইরকপা ঙাক্তনিনে।” কুঞ্জোনা খুম্মী।

“অদুদা নত্তেদা, মতম খরৈ মমাঙদা মমা-মচা পূন্না থাঙনা থিল্লগা হাৎলল্লিবদুবু সিনেমাদা তৌবদুগা চপ মান্নদ্রো। সিনেমাদা উবদগী শুমাইনা তৌবা য়াই হায়না তৌরিবনিনে মদো” নাওবিতোন্না ওনশিন্দুনা কুঞ্জোগী ৱাদু সপোর্ট তৌশিল্লি।

“কান্নদে তম্বা ঙম্মোইদবা মতৌগী ৱা ঙাঙনদনা, অদুই শরুক, মীশক্তুগী ৱাখল, মীৎয়েং, মহাক্লা খুন্নাই অসিগীদমক খনবিরম্বা অদুমাইনা ঐনা হৌজিক করি তৌ য়াবগে হায়বসি খন্নবনা হেন্না ফৈ। অদুদি নত্তদনা ফঙ্কসন্দনা অফবা ঙাক্তা ঙাঙলগা মশানদি মখূৎ মক্রাংদা লোৎলে করি কান্ননি।” তা মৈনোনা ৱাতেমসিল্লি।■

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

---

## শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত (২শুবা)

# লোই থাবা

***(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা ‘শ্রীকান্ত’ পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা)***

**ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবা**

*(হান্নগী মখা চথ্রজরকপা...)*

নুমিৎ তাশিল্লক্লবা মতমদুদদি, কাবক-কাবক খিল্লম্বদগী নোংদু শুক-শূনা তারক্লে অদুগা নুংশিৎসু কন্না শিৎকৎলক্লে। ঐ মরুম থুপ্পা য়াবা মফম অমা য়েংগে খল্লে। খুন্তাক লানশিরবা জহাজগী ফম্বাক মথক্তা ঐনা কাখৎলুবদা, কেপ্তেইনদুনা মখূত্তা দুর্বিন অমা পায়দুনা নোংদোন্দা কোয়য়েং য়েংদুনা লৈরম্বা শক্তম অমা মশেন-মরাং ওইনা উখি। ঐবু ফাবিগদ্রা অমসুং মখা থংবা ফম্বাক্তুদা পুথদুনা থম্বীগদ্রা কিবদগী ঐ লোন্না অমুক নাথৈদুনা চৎলে, অদুদগী অসুম অসুম ঐনা জহাজগী মফম কয়া থুংনা চৎলকপদা মমৈথংদা লোৎপদা খ্বাইদগী খুদোংচানি খনবা মফম অমা থেংনরে। ফম্বাক্কী অরোইবা চিদাই অমদা মথং-মথং লোনখৎনদুনা লৈবা, মনুংদা শা-উচেক থন্না হাপ্পা, চরন-চরন তৌবা অচৌবা য়োৎকী উপু ময়াম অমা থেংনরে। খ্বাইদগী ৱাংনা লৈবা উপু অমগী মথক্তা কাখৎলে। ঐ য়াম্না শাফরে, অশোয় অঙাম থোক্লরোই। ঐবু তুংদা করম্বা অৱাবগী লাংফম ময়াম্না ঙাইদুনা লৈরিবগে হায়বদি ঐ শুকখঙ খঙলমদে।

মতাং অশ্বাইসি য়ৌরকপদা নোং শুক-শূনা হৈথবা হৌরক্লে অমদি অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদুনা পুরকপা থুমহীগী ঈশিং কোঙ্গোলশিং ঐগী মায়দা য়ৈররে, য়ানুংদা ফাওবা চঙলে। থুনমক নোংদোল হেন্না হেন্না মমশিল্লক্লে অমদি জহাজদু লেপ্তুনা ৱাংখৎলক্লিবা সমুদ্রগী ঈমায়থক্তা অমুক ৱাংখৎ অমুক নেমথ তৌদুনা নোমদুনা লৈরক্লে। অন্ধি হায়বা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতু মসি ওইরম্বা তারে হায়না খনখি। মাগী তশেংবা মওং, শক্তম অদুদি ঐ হৌজিকমক্তি খঙদ্রি।

খঙহৌদনা জহাজগী হুইসেল কন্না খোংলকপদা মখোলদু য়াকমনখ্রদুনা ঐগী হকচাং মনুংফাও থক থক নিকখি। ঐনা নোংথক্লোমদা য়েংখৎলুবদা লৈচিন পূম্বা তাকখিবা উরুবদা শাথীনা ঙকখি। ঙক্লবা মহৌশাগী থৌওং থৌদৌ অদুনা পূক্লিংদা নুংঙাইবা পোকহনবা নংদ্রিঙৈদা, অমুক্তা তাখিদ্রিবা হৌনা ঙংবগী মখোল অমা সমুদ্রগী পীবুক্লুংদগী থোক্লকখি, - মদুগী ময়াক অসুম হেঙ্গৎলক্তুনা ঐগী নাকোং পঙবমখৈ পোকখায়বগী খোঞ্জেলগুম্বা অমা থোক্লকখি। মদুগী মখোলদুগা লোয়নন্না নোংলৈ নুংশিৎ শীৎকৎলক্লে।

ঐনা মতমদুদা থেংনখিবদু মদুগা চাংদম্নবা য়াবা, মান্নবা থৌদোক অমত্তা ঐগী পুন্সিদা - মাঙদা অমসুং তুংদা থেংনখিবা লৈখিদ্রি। অঙাং ওইরিঙৈ নিংথমথাগী অমম্বা অহিং কয়াদা অরুম্বা মৈশা পামদুনা অবোক্কী মথবাক্তা নপশিন্দুনা হেক হেক লৈবা মতাংদা মানা ঐঙোন্দা লীবিখিবা ৱারী অমা লৈ, মদুদা নিংথৌমচা অমনা পুখ্রি অমগী মনুংদা ইরুপখ্রগা মনুংদা হিংচাবা চাত্রেৎকী মথ্বায়শিংদু সনাগী খোই ওলহন্দুনা হাপচিন্দুনা থম্বা লুপানা শাবা উপু অমা পুখৎলকপগী ৱারী য়াওই। মদুদগী মানা খোইশিংদু মখূবাক অনীগী মরক্তা চপখায়বা মতমদুদা হিংচাবশিংদু নামখ্রদুনা শিরমদাই খোঙ্গাও ওইনা লৈমায়দা মখোঙনা থীনবদা নোংদোল অতিয়া থক থক নিকখি। মদুগুম্বা মওংগী থৌদৌ অমা হৌজিক ইমাঙদা থোক্লরি - ৱারীদুদা য়াওরিবদি হিংচাবা মশীং চাত্রেৎখক্তনি, অদুবু হন্দক্কীসিদি লাখা চাত্রেকা হুমদ্রমঙা শুরমগদবা মাল্লি।

শীৎলিবা নুংশিত্তু অসুক্কী মতিক কনবা হেঙ্গৎলকখ্রে, মদুনা মালেম লৈকোয়বুংসি মাগী পুংজৈদগী হুমদোক্তুনা পুখ্রগদবোই নীংই। হিজাউদুগী ফম্বাকথক্তা য়ুংলিবা য়োৎকী য়ূম্বী অমদা ইশাসি পুনশিঞ্জদুনা শোয়দনবা থৌরাং মাঙজৌনন্না তৌহৌখি, মদু নৎলমদ্রবদি ঐ উনাগুম ইয়াং য়াংনা হুমদুনা পুরমগদবনি। হায়না হায়না নুংশিৎ হেন্না কনখৎলক্তুনা ঐবু পুল্লিবা ফিদুদা শাথীনা কন্না চিংবগী শাফু অমা পীরক্তুনা তাঞ্জা অমদা হেক্তা তৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। মখাদগী ঈশিং ফুগৎলক্তুনা জহাজগী মপান থংবা মশা পূম্বা কোঙ্গোলনা য়োমখ্রে। ঙমজবী থাদুনা য়ূম্বীদুদা কোল্লগা ঐনা সমুদ্রগী অকোয়বদা য়েংখি।

মদুগী মতুং তারকপদা - ঐবু শাথীনা ইকোক নোলহন্দুনা, মাগী খূয়াখাদা চঙজদুনা হায়জ-নোঞ্জহনখিবা শক্তম অমা ঐনা উখি। ঐ ইতোমতা মুরুম-মুরুম শোঞ্জখি, “ঐবু শেম্বীবা মপু, নহাক্কী তাইবঙপানসিবু উবা ঙমজনবগীদমক ঐঙোন্দা মীৎ পীবিরে। অদুবু ঙসি অহিংসিদা, নঙগী মপাল নাইদ্রবা খুদোল ময়ামসিগী মনুংদগী খ্বাইদগী মথোঙ হুক্ত্রবা মঙদা ফাওবা উঙল্লেরোইদবা শক্তম অমা ঐবু উহনবীরে। শক্তম অদুদি নহাক্কী খূৎশেমশিং অসিগী মনুংদা মাগা চাংদমনীংঙাই লৈতবা মওং অমনি।” মসি হায়রুবগী মরমদি ঐগী মীৎমাঙ-মক্তদা সমুদ্রগী ঈরোন্নুংদগী চাউখ্রবা ঈশিং মপৈ অমা খোমজিন্দুনা ফাওগৎলকখি, অদুগা ৱাং-চাউরবা চীংদোল অমগী মতৌগুম নোংদোনসিবু হোগায়রগে তৌরম্বগুম্বগী মতাগুম কিহল্লম্নগা য়াম্না চীংলেম্না জহাজগী মায়কৈ তম্না তপ্পা চঙশিল্লকখি। মদুগী কোক্তোন্দা য়াওরিবা অরংবা পোৎশিংদুনা মঙাল পীদুনা অমুক শংমুনবা নোংদোন মকোয়দা মুক্তা থাম্লবা থাউমৈ পরেং থানবগুম ওইখি অমসুং মঙালদুগী মরক্তুদা মুনা ফজরবা অকিবগী মশক ওইবা অঙকপা শক্তম অমা উৎলকখি। -মথং-মথং

---

মতম মতমগী ৱাফম

# বৃন্দা শাবী অমদি মহাক্কী গৌড় লীলাদা মীৎয়েং অমা



ঙসিদগী চহী ৩০/৪০ গী মমাঙদা ঐখোয়না নুপামচা ওইরিঙৈদা শ্রীশ্রী গোবীন্দজিগী মান্দবতা উখিবসি ষণশেনবা, গৌড়লীলা, জগোয় রাস অসিনি। দুর্গা পুজা অচৌবা কুম্মৈ ওইরকই। মণিপুরী গৌড়িয়া সম্প্রদায়গী অকনবা ইচেলনি। লাংবন থা অসিদগী মখল মখলগী হারাউ কুম্মৈ উবা হৌরকই। দুর্গা পুজা মনুংদা শুন্মাং লীলা য়াম্না উবা ফংখি। জগোয় ঈশৈ শুন্মাং লীলা য়াম্না উবসি লাংবন স্বাইদগী কন্না উরকপসিনা লমতা থা ফাওবসি চাউরাক্লা থা তরুক অসি হারাউ কুম্মৈ থানি । রাস লীলা, ষণশেনবা চহী অমদা শোয়দনা উবা ফংখি। উখিবা কুম্মৈশিংগী মনুংদা গৌড়লীলা (গৌড়াঙ্গা লীলা) অসিমদি মমাংঙৈগা য়েংনরুবদা হৌজিক য়াম্না হন্থখ্রে । অঙনবা মতমগী শুন্মাং লীলানা উখিদবগুম গৌড়লীলাসু মমি শামথরকখিবগুম তৌই। শূন্মাং লীলাদি মীপূম খূদিংনা য়েংনৈ। গৌড়লীলাদি অয়েংবা মী খল্লি। শুন্মাং লীলাদা য়েংবগা গৌড়লীলাদা য়েংবগা অয়েংবা মী মান্নরক্তে । মহাউসু খেন্নৈ । গৌড়লীলাদি লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনৈ। ৱারী পরিং অমদা হোংদনা শান্নৈ। শূন্মাং লীলানা ৱারী থৌদোক হোংঙি। মতম মতমগী পাউজেল পুদুনা চৎলি। মীয়ামগা নকশিন্নবা হেল্লি ।

গৌড়লীলা হেক হায়রকপদা হিন্দু লাইনীংগী ৱারীনি হায়গনি । চুমসু চুম্মী অদুবু পাংথোক্লিবা মনুংগী মচাক ময়াম অসিদি ঐখোয়গী পোৎশক ঙাক্তনি। ঙল্লিঙৈ মতমদদি ঙাঙনরিবা শক্লরিবা ঈশৈ শৈশক-ৱাঙাং ৱাতাদা ব্রজবলিনা নম্না ঙাঙনবা তাখি। মৈতৈলোনদগী বংলানা হেন্না ঙাঙবগুম থেংনখি । তৌববুদি মতমদুগী শান্নরিবা আর্টিষ্টশিংসু বংলা খঙবা মীনা অয়াম্বা ওইবনা লায়না অমদি খঙনা ঙাঙনবসু ওইগনি। হৌজিক উবা ফংলিবা অসিদি মরক্তা লোনয়ান ব্রজবলি য়াওরবসু য়াম্না হেন্না শীজিন্নদবা থেংনৈ । মমাঙঙৈদা শীজিন্নখিবশিংগী খোন্থোক্ উচারণগা ঙসি ঙাঙনরিবসিগসু খেন্নবা উবা ফংই। খঙনা ঙাঙবা অমদি খঙদনা ঙাঙবা অনীগী মশক্লি হায়জনিংঙি। মসিমক্লা উৎলিবা থৌরম অদুগী মশক ময়েং তাবা অদুমক্তি নৎতে।

গৌড়লীলা অসি শান্নবীখিবা মীশক মীওই কয়া লৈখি। মীশকশিংগী মনুংদা ঙসি ফাওবা শোন্নরিবসি বৃন্দশাবী অমদি মাগী কাঙবু অসিসু অমনি । বৃন্দশাবী অমদি মাগী কাঙবু অসিদসু মীওই কয়া হোংদোক হোংজিন তৌখি । কয়া য়াওরমখি। অনৌবা কয়া অমনা শিলহৌখি । মখল মথেল অমমম্লি। মহাউ খেন্নৈ। ঙসিদগী চহী খরগী মমাংদা আর্ট এন্দ কলচর ডিপার্টমেন্ট, মণিপুরনা ই.জেদ.সি.সি, কলকটাদা প্রোপোজ প্রোজেক্ট অমা ওইনা ইকায়খুম্নজরিবী মেদাম ডা. কে. সোবীতানা ডাইরেক্টর ওইরিঙৈগী মতমদা গৌড়লীলা অসি মুৎখিদনবা হায়দুনা ‘খোঙ্গুল লীবা’ হায়বা মীংথোল অমগী মখাদা পাংথোক্লবা হোৎনখি। মদুগীদমক কমিটি শেম্লগা প্রোজেক্ট অমা লানখৎখি অয়াবসু ই.জেদ.সি.সি, কলকটানা পীরকখি। অদুবু লাইবক থীবদি মেদাম ডা. কে. সোবীতানা ডাইরেক্টর মতম লোইদুনা থবক্তগী পোৎথাখিবা মপা থোকখিদুনা মদুগী অয়াবদু আর্ট এন্দ কলচর ডিপার্টমেন্টকী মখাদা পাংথোক্কদবা অদু ডিপার্টমেন্টকী হেদতা লাকখিদে। কনাগুম্বা কাঙলুপ খরগী হেদতা চৎখিবা থেংনখি। মসি লাইবক থীবনি। অসুম্না আর্টফোম অসি য়োকখৎনবা অমদি চাউখৎনবা থৱায় য়াওনা হোৎনজবা কয়া মফম খঙদনা হেক হেক মাঙখিবসু লৈখি। মসিদা আর্টফোম অসিবু তৌজরিবশিংদদি য়াম্না চাউনা মাঙজবা ওইখি। পাকশন্না পাংথোক্কদবা ফেষ্টিভেল অদু মীওই খরগীতা ওইনা থেংনখি।

গৌড়লীলা অসি হিন্দুগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগা শান্নবা লীলা ওইরগসু শরুক য়ারিবা আর্টিষ্টশিংগী হৈশিংবা, মওং মতৌ অমদি ঐখোয়গী লৈজরিবা জগোয় ঈশৈগী মচাক ময়াম্না পূনশিল্লগা শেম্বা ওইবনা হেন্না মশক থোকহল্লি । মতাং অসিদা ইকায়খুম্নজখিবী ময়ামগী ইমা বৃন্দাশাবী নীংশিংলকই। মহাক্কী অশেংবা মিংদি থোকচোম নিংঙোল ইবেতোম্বী হায়না কৌই । মশাগী চহী নৌরিঙৈদা বৃন্দা শাখিবদগী মীয়াম্না বৃন্দাশাবী হায়না হেন্না খঙনবীখি। লীলাদা পকচবা করেক্টর রোল অমদা কূমলুবদগী মশাগী অশেংবা মিংদগী শারিবা করেক্টর রোল অদুগী মিংনা হেন্না মীয়াম্না খঙনখি। মসিগুম্বসি মণিপুরগী অঙনবা মতমগী মশক নাইখিবা আর্টিষ্ট খরদা থোকখি। খুদম ওইনা থৌরানী শাবী, অভিরাম শাবা, অসিনচিংবনি। শুন্মাং লীলাদসু চৈতৈ শাবা, দেবদাস শাবা, অবীরখান শাবা, রাজা শাবা, ডাক্টর বাবু শাবা, পারু শাবা, বীরশিং, ডাকু জগৎশিং শাবা য়াম্না লৈখ্রে । কনাগুম্বা খরনা অমুক মশাগী লৈফম লম পল্লগা হেন্না খঙনবা কয়া অমসু লৈখি। খুদম ওইনা- থাঙ্গা মঙ্গোলজাও, লমজাও তোম্বা, লাংঙথেল থোইনু, কুম্বী ইনাকখুনবী, য়োংলান নিত্যাই, য়াইস্কুল গম্ভীনি, থাঙ্গা কেশো, কৈরাউ সনা, কৈরাউ গৌরকিশ্বর, কৈরাউ রাজেন, ময়াং ইম্ফাল তোম্বী, উয়ান ইবোমচা অসিনচিংবশিংনি। মসি লমনরা মীনরা হংবা য়াই । লমনা নত্তে মীওইশিং অদুগী পীথোকলকপা তোপ তোপ্পা পকচবা মতৌ অদুননি। তোপ তোপ্পা পকচবা হায়বসি ওইরক্লবা হোৎনরকপদা চঙলিবসি খাঙবা কনবা হোৎনবা কনবা থকসি খাসি, তাকপী তম্বী ওঝা গুরু মশক খঙবা হায়রিবা ময়ামসি লৈবননি। আর্ট হায়বসিদা তাকপী তম্বীরকপা হায়বা ওঝা অসি কাওবা য়াদবা অমনি। কনাগুম্বনা মথন্তা হৈজরকপনি হায়রগদি মদু হায়হৈদবা অমনি। অদুগুম্বা মীশক মহাক অদু তুংকোইনগী মশক নাইবা মী অমা হায়বদু ওইবা ঙমদে ।

গৌড়লীলা হায়রগদি হৌজিকক্কী মতমদা ময়াম্না ইমা বৃন্দাশাবীগী মিং পন্নৈ। পন্নরিবসিগী মরম লৈরমগনি । গৌড়লীলা অমা শান্নবদা মীওই কয়ামুক চংই। করেক্টর য়াম্মী । অঙাংদগী অহল ফাওবা য়াওবা অশাংবা ৱারী পরিং অমদা শান্নবা লীলানি । ঈশৈ জগোয় কয়া য়াওই । তাঙ্কক য়াম্মী । করেক্টরশিংগী মনুংদা য়োংগী সিন, জোগাই-মধাই মচিন মনাওগী সিন য়াওরি । হি লানবা য়াওরি । লীলাদা পোৎচং প্রোপর্টি য়াম্না য়াওবসি গৌড়া লীলাসি অমনি। পোৎচাউ ওইনা ফাম্মুং কাংথোল, হি লানবদা শীজিন্নগদবা হি ফাওবা য়াওদুনা শান্নৈ । ঈশৈ-ডাইলোগ পূনবা লীলা মখল অমনি । ফিজেৎ চাকশেৎ অচৌবা থৌরাংনি। গৌড়লীলা হায়বসিদা কো এক্ট তৌমিন্নরিবশিংগী থৌদাং চাউই। অমগা অমগা মতেং চঙই। ইমা বৃন্দাগী ওইনা মহাক্কী ওইনা শেম্লবা পরিং অমা লৈজৈ । লাইরিক ফাওবা মশানা ফোঙদুনা থমখ্রে । মী অমমমগী পকচবা মতৌ শাজৎ অমমম লৈনবগুম ইমা বৃন্দশাবীগীসু পকচবা মতৌ অমা লৈখি। য়াওরিবা মী লোইনমক মহাক্লা মান্নৌ হায়বদি লানগনি। মাগী মফমদগী তম্নিংঙাই ওইবদি কয়া লৈখি । নুং অমদি পান অনী ফাওনা লীলা শান্নবা, ফেসিয়েল এক্সপ্রেসন,স্পেস এন্দ টাইম চপ চানা খঙনা শান্নবা ঙম্মী । তুংগা মাঙগা তোঙান তোঙান্না মান্নদবা মওংদা আর্ট এক্তিং তৌবা হৈ। মতাং অমত্তং পঞ্জরবদা- পীক্লিবা গৌড়না মমা খঙহন্দনা য়ূমগী মপান্দা চৎখিবা, মপা ইবুংঙো ঠাকুরনা মচাবু ফাদুনা পুরক্লগা মমাদা গৌড় হংবদা ঠাকুর কিবদগী মমানা মচাবু তূন্নি হায়জিনখি । তুমদে হায়বা খঙলবা ঠাকুরনা নচা হৌদোকলকউ হায়রকপা মতমদা ফামুংদা লৈরমদবদা ঙকখিবা অদুগা মপা ইবুংঙো ঠাকুরদনা হৌদোকলক্কে হায়না ফামুংদা লৈতবা মচাবু লৈরিবা শাদুনা হৌদোকপা মতাংদা বৃন্দাশাবীগী পকচবা আর্ট এক্তিং অসি তোপ তোপ্পী । হকচাং নোম নোম হায়ফেৎ চৎলগা মোত খজিক্তং তৌরকপগী ফজবা তমজনিংঙাইনি । থোকচোম নিংঙোল (ইবেতোম্বী) বৃন্দাশাবী জৱাহরলাল নেহরু মণিপুরী ডান্স একাদেমীগী ভিজিটিং গুরু ওইনা থৌ পুরম্মী । মশামক্কী গৌড়লীলা কাঙলুপ লীংখৎতুনা মণিপুরগী মনুং অমসুং মপাল লমদা কোয়না চৎতুনা গৌড় লীলা শান্নরমখি । মহাক্লা গৌড়লীলাগীদমক হোৎনখিবা অদুবু শকখঙবীদুনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপীখ্রবীনি ।

ঙসিদগী চহী অহুম মরীরোম মমাংদা চাউরাক্লা ২০১৪-২০১৫ অদুৱাইদা ওইবা য়াই হায়না খল্লি। ইম্ফালগী য়ূম্নাম লৈকাই লাইরেম্বী মনাক্কী মান্দব অমদা পাংথোকখিবা গৌড় লীলা ফেষ্টিভেল অমদা বৃন্দাশাবী অমদি মাগী কাঙবুগী গৌড় লীলা উবা ফংজখি। আর্ট এক্তিং খক্ত নত্তনা, ঈশৈগী খোলহৈ খোন্দা অৱাং অনেম শান্নবা, হায়শক তৌরকপদা ইমা বৃন্দাশাবীগী ফজবা কয়াসি উবা ফংখি । গৌড় লীলা হিন্দুগী ৱারীদা শান্নবা গৌরাঙ্গগী লীলানি । লাইনীং লাইশোন অমদি ধর্ম্মগী মীৎয়েংদা য়েংবা নত্তবদা, পার্ফোর্মেন্স, প্রডক্সন ষ্টাইল, আর্টিষ্টশিংগী কো-ওপরেসন, শীজিন্নরিবা প্রোপর্টিশিং অমদি পূম্নমকপু থৱায় হাপ্লিবা বেকগ্রাউন্দ ম্যুজিক, সুত্রা, অয়ৈ অখোং তৌবীরিবা ওঝাশিংগী অপূনবা চুংশিন্নবা মতৌ অসি ইরায় লায়না পানখৎপা ঙমলোইদবা অমনি। গৌড়লীলা অমা পানখৎপা অরায়বা ওইরোই। অচৌবা কোরিওগ্রাফ অমা উবা ফংই। হৌবদগী লোইবা ফাওবদা চৎথরক্কদবা মথং মনাও অসি য়াম্মী । তাঙ্কক অমমমি, খণ্ড অমমগী মশক্লি। ঈশৈ ঙাক্তা নৎত্রগা জগোয় ঙাক্ত উৎপা নত্তবা পরিং নাইবা লীলা অমসু শান্নরি। লীলাসিদা হায়নরিবা ঙাঙনরিবা শক্লিবা ঈশৈগী ময়েকশিং অসি খোরিরোল (সাহিত্য) গী মীৎয়েংদা চঙশিন্দুনা নৈনবদা ফজখ্রবা রসশিংগী মহাউ ফংই । হিন্দুগী লাইনিং লাইশোনগা মরি লৈনবা লীলা ওইরবসু মণিপুরী হায়বা ঐখোয়গী পোৎথোক্লা শেমজবা, ঐখোয়গী ওইজবা মতৌ অমনা পূম্নমকপু ফাজিল্লগা মনুংদা থম্মী হায়বসি উবা ঙম্মী । ঐখোয়গী লৈজরকপা, হৈনজরকপা পোৎলমশিংনা য়ানশিল্লগা মণিপুরী গৌড় লীলা পানখৎপনি। মসিদা ইমা বৃন্দশাবীগুম্বা লমজিংবীরিবা ওজাশিংনা মখোয়গী হৈ-শিংজবা কয়া অদুনা মতীক মগুণ হাপ্লীবনি, মখোয়গী থৌদাং চাউই । লমদমসিদা শান্নরিবা অসি গৌড় লীলা খক হায়বগী মহুৎতা মণিপুরী গৌড় লীলা হায়বনা হেন্না ফজবা হেনগনি খল্লি । অতৈ মপাল লমগী মীনা শান্নবা লীলাদগী ঐখোয়গী অসি মশক পূমতোপ তোপ্পা ঐখোয়গী নাৎকী মশক লোয়নরিবা অমনি । মসি ঐখোয়না খঙনা য়োকখৎপীবা চংই । জুগাই মধাই শাবা, য়োং শাবগী তম্ফম লৈতে। আর্টিষ্টশিং অসিনা মশা মশানা শেমজরগা ওঝাশিংগা তানরগা শেমলিবা শক্তমশিং অসিসু খঙবীবা চুম্মী । পূম্নমক মীগী ৱারীদা তাংলগা শান্নবা লীলা ওইজরগসু ঐখোয়গী পোৎনা শেমখিবনি হায়বসি খঙমিন্নবা চঙলি । ■

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

---

# মীয়াই চনশিল্লক্লবসিদা

অহিংনি। নোংয়াই ইতু য়ৌরফাও থা থোক্তে। ওখাক মম্মী। অসুক শিবা অহিং থেংনদ্রি। নোংসু হৈথরক্লনি। ওরো ওরো। খক খক্কদবা মান্দনা।

অহিংগী অমম্বা তন্দন অমতনফাও খঙবিদে। করিমতা লৈতে। কনাসু উদে। শক নঙ নত্তনা। ওন্থোকপৈ নাহেখোলসি নত্তনা কৈমত্তা তাদে। অৱাবনি অৱাবনি।

নো খাল্লককই।

কুচু ফোৎহাওনরবা লৈচিল চীংদুম চীংদুম উই। পাইদে। লেঙদে। অমুবা গর্ভনুংদা অঙৌবা ঈপাক অমা লোৎশিন্দুনা। ঙসিগী ওইনরা নৎত্রগা মপোকসিমগী। পোকপদৈ শিবফাওগী ওইনা। মমায় হাইগৎতনা ইকায়থীনা অসুম লোইখ্রগদরা। ঐ অমদি ঐগী পুন্সিগী থা। অনীসিবু লক্লরিবা লৈচিল। কুচু ফোৎহাওনরবা লৈচিল।

ঙসিগী অমম্বা অহিংসিদবু থা উফম থোকপ্রা। উনীংফম থোকপ্রা। পুন্সিগী অতিয়াদা থা থোকফম থোকপ্রা। থা থোক্ত্রবদি ইয়ামক য়াদব্রা। অতিয়াসিবু থাতনা ফজহনব্রা। অহিংদা মকু খোংববু তৌহৈদব্রা। থা থোক্ত্রবদি অহিংসি অহিং কৌরোইদ্রা। লৈচিলনা থা খঞ্জিনবগুম অহিংনা নুংথিল অমা কেকু লোৎহল্লিব্রা। পোক্লিবসি অমুক্তনি। অনীরক পোক্তে। শিবসুনি। পুন্সিসিনা অতোপ্পা পোকপা অমা অতোপ্পা শিবা অমা লোৎলিব্রা। ঐগী পুন্সিগী থা অসি লৈচিল শক্তাথি অমনা কুপশিনখ্রবরা। অমুবা অহিংগী অমুবা অতিয়াদা ঐগী অশঙবা থা থোক্তে।

নুংশিৎ পাথরক্লে। নোং খিল্লক্লে। হৈথরক্লনি। থা থোক্লকপা ঙাইখিদ্রা নৎত্রগা তূম্লদ্রা। ঙাইবগী হৈনবীদা। লৈরাং শাৎপা উদনা। থোকপু থোক্লকখিদ্রা। কনাদা হংনি। করিগী হংনি। হংফম থোকপ্রা। ইথন্তা নাওশুম ঈশৈ শক্তুনা ইথন্তা নাওথেমজবা য়ারোইদ্রা। নিম পাম্বী মখোঙদৈ মঙলান মচা অমতং হুরুদুনা। নচা মোরাম্বী পোবীদুনা পোবী শনম নম্বীদুনা। অনীরক শিবা য়াদবনিনা অমুক্তং শিবদা পূমশি শিদ্রিঙৈদা। পোকপদৈ তূম্লক্ত্রিবনিনা। থা থোরকপা ঙাইবদা।

অমম্বগী মঙাল মরকসিদা থা থোরল্লগা পূমঙান ঙানগনি হায়বসিবু কনানা হায়গে। ওন্ন-তৈনবদা পূম্মম মম্লদি। মম্লিবসিদৈ হেন্নবু মম্লদি।

নুমিৎ চূপ্পা করিগী ৱারিবনো? ফিদা অমা ফংলবা নৎত্রা? পুন্সিসিদা? সিনি মঙাল। পুন্সিগী মঙাল। খঙহৌদে পিক্লিঙৈগী ঐদো হৌজিক্তা পম্নিংলকই। বুব বুব লাউনা নোয়বা নিপামচাদো পোনীংলকই। হৈবোং চরোং খূনবিনীংলকই। নাহোংনুংদা তুংবু লাপ্না য়েংজখিবনি। উবা উদবা। থা থোক্তে থা উদে ঙাইবগী হৈনবীদা ঐগী পুন্সিগী অতিয়াদা পুর্ণিমা কয়ানা ঙানখিবা খঙহৌদ্রবরা চিংনরক্লে। অৱাবৈ নুংঙাইবদা, লিশাং শিংনা ৱাবৈ নুংঙাইবদা, লাকখিনি লাকখিনি ঙাইবৈ ঙাওজবদা পুর্ণিমা কয়া থাশি ওইনা থুপখ্রবরা পাখৎলক্লে। থাদবু মায়হিং কাদবরা? লৈ হেকপদা উশা থুদেক্কদ্রা?

থা হুন্দোরকপা ঙাইবদা অহানবা পোকপা ইচা শিবফাও চং ফংনা ৱাখিদে। নঙবু ঙাইবদা অহিং হৌখিদুনা তোল্লরনি। ইনাক্তা থা থোক্লি খঙদনা। লৈরাং লৈশক খঙদনা। হৈরাং হৈনম নমদনা।

*-কাংজম রাধাকুমার*

***(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘মীৎকুপ অমতং’ দগী লৌখৎচবা)***

---

# অফবা সিনেমাদগীসু পারা তমশিনবা য়াই

ঐনা ঙমজবা মতমদা মুভি য়েংবা হেক হেক চৎলি। ইচানুপী বিয়াংকা, ইচানুপা কোলবি অনীসু য়ারিবমখৈ পুরগা চৎলি। চুজাক কবোক চাদুনা বোক্স ওফিসতা মমিং লৈখৎলক্লিবা এনিমেটেদ ফিল্মগী নুংঙাইবা লৌবসি অঙকপা হকথেংনলৌশিং অমনি। য়েংবা লোইরগা মায়থোংদা মোমোন মিনোক্কা লোয়নন্না থোরক্কনি। পূক্লিংদনা কার্টুনগী শক্তমশিং অদুনি খঞ্জরগা ঐখোয়গী নুংতিগী মশান্নদা পানশিনগনি। ৱা ঙাঙবা খোঙচৎশিংদা তাঞ্জাবু ফংলবদি ওইনীবা শহরদা ওইসনু থবক লোইরকপদা মতম খরা কাইথোক্তুনা ফজবা মুভি অমা খল্লগা য়েংনবা হোৎনৈ। ফিল্ম য়েংবসিনা ঐবু পোত্থাহনবদা নত্তনা অতোপ্পা তাইবঙ অমদা পুবা ঙম্মী অদুগা পুন্সিসিনা পীরিবা ঙমখৈ লৈত্রবা ওইথোকপা য়াবা মশকশিং অদুগী থৌইনশিন অমা পূক্লিংদা পোকহন্দুনা ঐবু ৱাখল তৌহল্লি। মুভি য়েংলুরগা ঐঙোন্দা লোত্তুনা লৈরিবা মঙলান্দা ঙাওজবা থৱায়দু হেক হেক চিংথোকপরা হায়না খল্লি।

কুইদ্রিবগী মমাঙদা ইটলিয়ন ফিল্ম *লাইফ ইজ ব্যুটিফুল* কৌবা অমা য়েংখি। সবটাইটলদা য়েংবা ওইরবসু মীৎফম হোংবা ঙমখিদে। ফনা কুইরবা মতমগী মনুংদা য়েংখিবা ফিল্ম অমতনা নুংওনহনবা ঙমদবা মওংদা ফিল্ম অসিনা ঐগী পূক্লিংবু মথক মখা ওলহনখি। ফিল্ম অসিগী মপুং ওইবা ৱারীদা নুংশিবগী থম্মোয় চেনবা মপা অমগা মচানুপা অমগগী মরক্তা লৈনবা মরী অদু উৎপনি। হৌরকপদা, মখোয় অনীগী থানদবা মতৌ, মখোয়না মখল মখা কয়াগী থৌদোকশিং পূন্না থেংনমিন্নখিবা কয়া অদু উৎলি। অদুদগীদি খঙহৌদনা, নুংথিল অমা ময়ুমদগী ফারগা ট্রেনদা হাপকৎতুনা শাথীখ্রবা নাৎসী কন্সেন্ট্রেসন কেম্প ওসৱিৎচ তম্না পুখরে। ফিল্মগী মখা তারকপা শরুক্তা মপা অদুনা মচাগী থৱায় কন্নবা হোৎনজবশিং অদুতা নত্তনা মহাকপু অৱাবা কয়া থেংনরবসু কাউহন্ননবা মখল-মখা পাম্বৈশিং শীজিন্নবদু নিংথিনা উৎলি। অরোইবদা মপা অদুনা মচাগীদমক মশানা মশাগী থৱায়বু পোন্থা পীখ্রবসু, *লাইফ ইজ ব্যুটিফুল* কৌবা ফিল্ম অসিনা ঐখোয়দা হিংবা হায়বসি খুদোল অমনি, অদুনা নুংতিগী পুন্সি অসিদগী ফংবা লৌবা য়াবা পূম্নমক খ্বাইদগী অফবা মওংদা লৌদুনা শীজিন্নহৌগদবনি হায়বসি নীংশিংহল্লি।

অফবা মুভিনা নহাক্কী মীৎয়েং মফম চানা থম্বা ঙম্মী, নশানা মমল লৈনা লৌবশিং অদুগা মরী অমুক শাগৎহল্লি, অদুগা পুন্সিগী পোৎশক খুদিংমক্কী মরমদা থৱায়-হকচাং য়াওবগী থাক হেংগৎহল্লি। রাল্ফ ৱালদো এমর্সননা হায়খিবদুনি, “থৱায়-হকচাং য়াওদনদি অচৌবা, মশক নাইবা থবক অমত্তা পাঙথোকপা ঙমদে।”

**(বি এস রাজকুমারনা মীতৈলোন্দা হন্দোকপা রোবিন শর্মাগী লাইরিক *‘নহাক্লা শিরগা কনানা কপহৌগনি?’* হায়বদুদগী লৌখৎচবা)**


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।